# সলাম আর্টস ক্রিয়েসনগী ৩শুবা প্রদক্সন, রবি সলামগী "হিংখিনি ইমাদি"



লমদমসিগী ফিল্ম মরাই চাইথরক্লে হায়বসি, খংদবনা হায়বনি। হৌজিকসু লেপ্তনা ফিল্ম কয়া অমা পুথোক্লরি ! পুথোক্লরকখিগনি ! অদুবু মতাং অসিদা ফিল্মগী লমদা লৈরিবা অখঙ-অহৈগা তুংগী য়ুম্বী ওইহৌগদৌরিবা ফিল্ম মেকরশিংগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী প্লেটফোর্ম অমা শেমগৎতুনা লমদম অসিগী ফিল্মগী অফবা অচুম্বা মাইওন অমা পুরক্লবা হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি হায়না প্রদুসর, ডাইরেক্টর অমা ওইবতা নত্তনা স্ক্রিপ্টরাইটর অমা ওইনা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা রবি সলামগী থাজবনি।

মশাগী থোইদোকপা অমাং-অতোং থিদনা চহি অমদা ফিল্ম ৫০ গী মথক্তা পুথোক্লিবা লমদম অসিগী ফিল্ম মেকরশিংগী ক্রেটিভিটিদা দোস এন্দ দোন্ট কয়া থম্বিবগী মহুত্তা হেন্না ফবা মাইওন অমা পুরকপা ঙম্বা জাতি অমদি অন্তরজাতিগী থাক্তা চাংদম্নবা য়াগদবা ফিল্ম অমমম ওইনবা হোৎনমিন্নবা চুম্মী হায়বা ৱাখলোন লৈজবা রাবি সলামগী সলাম আর্ট ক্রিয়েসন হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা ৩শুবা প্রদক্সন ওইনা পুথোক্কদৌরিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম "হিংখিনি ইমাদি" হায়রিবা ফিল্ম অসিগা মরী লৈননা পাউচে অসিগা অখন্ননা উনবা অমদা ফোঙদোরকখিবনি।



লমদম অসিগী হৌজিক হৌজিক্কী ওইরিবা ফিল্মগী মার্কেটকী ফিভম অসিদা লেপ্পা লৈত্তনা অমাং অতোং থিদনা লমদম অসিগী মীয়ামদা করিগুম্বা হিরম কয়াদা কান্নরবা ইনফোর্মেসন য়ৌহন্নবগী পানদমদা চোংথোরকখিবা বেন্নরশিংগী মনুংদা য়াম্না ইচং থৌনা থোরকখিবা সলাম আর্ট ক্রিয়েসন হায়রিবা বেন্নর অসিগী মখাদা "শিল্লেমা", "নিংঙোল মৱা" হায়রিবা ফিল্ম অনি অসিগী মতুংদা চৎলিবা চহি অসিগী অরি-অনৌগী লংদাইশিদা খুদোল তমগদৌরিবা ৩শুবা প্রদক্সন "হিংখিনি ইমাদি" মিংথোনবা খন্বা সলামনা প্রজেন্ট তৌবা ফিল্ম অসিনা ফাইনেল প্রোসেশিং লোইদুনা মীয়ামদা খুদোল তম্নবা শেম শাদুনা লৈরি। হায়রিবা ফিল্ম অসিদা মরুওইবা শক্তম লাং লিবশিংদি ঃ- কাইকু, সোনিয়া, অবেনাও, নোংথাং ঙাম্বী, থোই থোই, ইন্দু, লালিতাবী, অকাস কৈরাও, থোইবা টিঐচ, কেল্লি মিল্লন, রোমিও অমদি রোনাল্ডনা ওইরি।

ফিল্ম অসিবু ওইনবা হোৎনবদা বেক স্ক্রিনদা লৈদুনা অচৌবা থৌদাং য়ারিবশিংদি প্রদুসর আরএস মৈতৈ, ইদিটর- হেনরি সলাম, মুজিক ডাইরেক্টর, একে য়াংগোই, কেমেরামেন-ধনা, এসিস্টেন্ট কেমেরামেন-বিসো অমদি গোগো, মেক-অপ-সনাথোই ৱাহেং, এসিস্টেন্ট মেক অপ-বেনাও, কষ্টুম-সুরজ ৱাহেংবম, এসিস্টেন্ট আর্ট ডাইরেক্টর-অকাস কৈরাও, কোরিওগ্রাফর-মেনাকা লোয়ননা ত্রান্সপোর্ট-এম ঙান্বা নি।

চাওরাক্লা পুং ২গা মিনট ২০ মুক শাংবা ফিল্ম অসিদা ৱারি পরিংনা দিমান্দ তৌবা মরুওইবা সোং সেক্যুয়েন্স অনিদা অমুক নৌহৌননা শক্তাক্লদ্রবসু য়ারবা প্লেবেক সিঙ্গর, ভির, সুরমা অমদি রোজিনা শৈশক্লি।

ফেমিলি, রোমান্সতা য়ুমফম ওইদুনা ফাগনী পুবা মচৎতা পুথোক্কদৌরিবা ফিল্ম অসিদা উখ্রুল, হৈঙাং, শগোলবন্দ, থাওরোইজমনচিংবা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী মফমশিংনা মরুওইবা লোকেসনশিং ওইনা শিজিন্নরিবা ফিল্ম অসিগী ৱার্কিং দেনা নুমিৎ ১৭ নি ওইরি।

অপোকপী মমা অমদি অয়োকপী মমা অনিগী মরক্তা অরুম অয়াঙগী খল অমা ওন্ননবা হোৎনগদৌরিবা ফিল্ম অসিদা মালেমদা লৈরিবা হৈশিং লবা মীওই কয়া অমসু লাইবক্লা তমলম্লবা থৌদোকশিংদগী নানথোকপা ঙমদে হায়বসু ময়েক শেংনা উৎলি।

ফিল্ম অসিগী মরুওইবা অৱাবগী সিচু এসন কয়া য়াওজরগসু অয়েংবা ভাবকশিংবু ফাজিন পুনশিন্দুনা কপহননবা হোৎনবগী মহুৎ অয়েংবশিংদা নোকহনবগা লোয়ননা লায়না জ্ঞান তাহননবা হোৎনগদৌরি। ফিল্ম অসিগী প্রদুসর আরএস মৈতৈ না লৈখিদ্রবা অপোকপা সলাম দোলশিং মৈতৈ অমদি অপোকপা সলাম ওংবী চাওবী লৈমা অনিদা দিদিকেট তৌদুনা পুথোক্কদৌরিবা সলাম আর্ট ক্রিয়েসন হায়রিবা বেন্নর অসিগী অহুমশুবা প্রদক্সন "হিংখিনি ইমাদি" হায়রিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অসি চৎলিবা থা অসিগী ২১ নোংমাইজিং নুমিত্তা ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা সঙ্কর তোকিজদা ফঙ্কসন অমগা লোয়ননা রিলিজ তৌগদৌরি।



লোয়ননা ইম্ফালগী কানচি, কাক্তা, মোইরাং, থৌবাল, ময়াং ইম্ফাল, ককচিং নচিংবা মরুওইবা সিনেমা হোল ২১ দসু চপ মান্ননা উৎনবগী পান্দম থম্লি।



সলাম আর্ট ক্রিয়েসনগী ৩শুবা প্রদক্সন "হিংখিনি ইমাদি" হায়রিবা ফিল্ম অসিনা ফিল্মবু পামজবা ভাবকশিংগী মীৎয়েং কদায়ফাওবা চিংশিনবা ঙমগদৌরি হায়বদুদি মতমদুফাওবা ঙাইমিন্নখিবা তারি। লোইশিনলকপদা লেপ্পা লৈতনা লমদম অসিগী মমি তাইবংগী তাবুদা কুম খুদিং অনৌবা ফিল্ম অমমম হাপ্পবা পান্দম অমগা লোয়ননা চোংথোরক্লিবা বেন্নর অসিনা অফবা, অচুম্বা লমদম অসিগী লৈহাওগা চুনবা ফিল্ম কয়া পুথোরক্কনি হায়বগী থাজবসু পাউচে অসিগী মাইকৈদগী থমজরি।

ঐচ রাজেসে

## ষ্টেটকী থাক্ত শান্নবগী পাউদম

## লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ২০১৮



ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ঃ

দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা এসোসিয়েসন অসিগী শান্নবুংদা চত্থরিবা ১৭শুবা সব কেএসঐচ লৈহাও দেবী মেমোরিয়েল সুপর দিভিজন ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱাইদিও না কেপিএসসিবু গোল ৬-২ মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ুবিএসএ অমদি ৱাইপিও গোল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ৱাইদিও সোরানা কেপিএসসি ককচিংবু গোল ৬-২ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ৱাইদিওগী গোলশিং অদু রিয়াস খান্না মিনট ৮, ৩৫, ৬৩ দা গোল অহুম, অলি খান্না মিনট ২০, ৭০ দা গোল অনী অমদি মানিসনানা মিনট ৫১ দা অমা চনখি। মায়থিহৌরবা কেপিএসসি গী গোল অনী অদুনা অবিনাসনা ৫১, ৫৩ দা চনবা ঙমখিবনি।

১০শুবা মেটচ ওইনা ঙসিগী অনীশুবদা শান্নখিবা য়ুবিএসএ মান্টেক অমদি ৱাইপিও সোরা গোল চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

## চিফ মিনিষ্টর ত্রোফি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ঃ

মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা নম্বোল বমদিয়র কাং এসোসিয়েসননা শীন্দুনা থা অসিগী ১৮দগী টিম ১২না গ্রুপ ৪ খাইদোক্তুনা চত্থরক্লিবা ১৩শুবা চিফ মিনিষ্টর ত্রোফি ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাঙ্গোই (আইএসকে) না নিকোনবু পাঙ্গল ২৬-৯ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ঙসিগী মেটচ অসিদা টি ইবোমচা শর্ম্মনা অম্পয়র অমদি দব্লিউ প্রেমজিৎনা স্কোরর ওইখি। টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা মেটচ ওইনা এনবিকেএ (এন) অমদি কেকেসিও (কৈশামথোং) গা শান্নরগনি।

## ৱাইএমদিও অমদি ৱাইদিও ফাইনেল শান্নরগনি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ঃ

ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা চোংথাম কোনা য়ুঠ দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসননা শীন্দুনা টিম ৭না গ্রুপ অনী থোক্লা খাইদোক্তুনা ৱাইদিও স্পোর্টস কমপ্লেক্স চোংথাম কোনাদা ঙরাংদগী চত্থরক্লিবা ফার্ষ্ট ষ্টেট লেভেল মেন ওপন ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অসিদা ৱাইএমদিও হৈরাংগোইথোং অমদি ৱাইদিও চোংথাম কোনা মায়পাক্তুনা টিম অনী অসি হয়েং ফাইনেল শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেলদা ৱাইএমদিও হৈরাংগোইথোংনা এমপিএসসি মণিপুর পুলিসবু সেট ৩-২ (২০-২৫, ২১-২৫, ২৫-১৪, ২৫-২০, ১৫-৯) দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ৱাইদিওনা এলসিএল লৈফ্রাকপমবু টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচ হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা ৱাইএমও অমদি ৱাইদিও অনীনা শান্নরগনি।

## ৮শুবা টিঐচ মাজারুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮

## মিরপুর এফসি অমদি মোকমলুং এফসি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ২০ঃ

থা অসিগী তাং ৩ দগী হৌদুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরী স্কুলগী প্লেগ্রাউন্দা টিম ৮ না শরুক য়াদুনা চত্থরক্লিবা ৮শুবা মাজারুন বিবি মেমোরিয়েল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ গী ঙসি শান্নখিবা ফার্ষ্ট মেটচতা মিরপুর এফসি টিমনা সিএফসি লোবোনখল টিমবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা অনীশুবা মেটচতা মোকমলুং এফসিনা এনৱাইসি ফাইতোল-২ গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা মিরপুর এফসি টিম অমদি সিএফসি লোবোনখল টিম অনীনা শান্নখি। মিরপুর এফসি টিমনা তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা সিএফসি লোবোনখল টিমনা বোল কাওবা হৌখি।

অহানবা হাল্ফ মমাংদা মিরপুর এফসি টিমগী শান্নরোই জোসিয়ানা ৩৭শুবা মিনটতা গোল চনদুনা মিরপুর এফসি টিমগী একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা মিরপুর এফসি টিমনা সিএফসি লোবোনখল টিমদগী গোল ১-০ মাংজিন থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা মিরপুর এফসি টিমগী শান্নরোই মৈথৌলুংনা ৪৩ শুবা মিনটতা গোল ১ চনদুনা মিরপুর এফসি টিমনা সিএফসি লোবোনখল টিমবু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

রেফরিনা মিরপুর এফসি টিমগী শান্নরোই ইমানুয়েলবু ৪৯শুবা মিনটতা সমলিয়েলনা ৬৮শুবা মিনটতা অমদি সিএফসি লোবোনখল টিমগী শান্নরোই জ কোববু ২২শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা মেটতা মোকমলুং এফসি অমদি এনৱাইসি, ফাইতোল-২ টিম অনীনা শান্নখি।

মোকমলুং এফসি না তোচ ঙমদুনা সাইদ খনখি। অদুগা এনৱাইসি, ফাইতোল-২ না বোল কাওবা হৌখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা মোকমলুং এফসি টিমগী শান্নরোই হুরিনা ৩৬শুবা মিনটতা গোল অমা চনদুনা মোকমলুং এফসি টিমগী একাউন্ট হাংদোকখি। অহানবা হাল্ফ মমাংদা মোকমলুং এফসি না এনৱাইসি, ফাইতোল-২ টিমদগী গোল ১-০ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি।

অনীশুবা হাল্ফ মতুংদা এনৱাইসি, ফাইতোল-২ গী শান্নরোই এল জয়না ৪৯শুবা মিনটতা গোল অমা চনখি। অদুগা মোকমলুং এফসি গী শান্নরোই মৈহুনদাইনা ৫৪শুবা মিনটটতা অমদি হুরিনা ৬১ শুবা মিনটতা গোল ২ চনদুনা মোকমলুং এফসিনা এনৱাইসি ফাইতোল-২বু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

রেফরিনা এনৱাইসি, ফাইতোল-২ গী শান্নরোই সসাংবু ৪শুবা মিনটতা অমদি জয়সনবু ৪২শুবা মিনটতা য়েল্লো কার্দ বুক তৌখি।

ঙসিগী মেটচ অসিদা জোয়েল ভালটে, এম অমরজিৎ, অনিল কুমার সিংহ অমদি ও বিসেশ্বর সিংহনা সেন্ট রেফরি, এআর ১, এআর ২ অমদি ফোর্থ রেফরি ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা থা অসিগী ২২দা আরৱাইসি রমগ্রাইজাং অমদি এনৱাইসি ফাইতোল ২ অমসুং ন্যু লাইফ ক্লব উচাথোল অমদি মোকমলুং এফসি অনীনা লম্বা থেংনরগনি।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Acting Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*